# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 15-07-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৫-০৭-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা থি-হুন্বা অমসুং এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। মীওই কয়া ফাগৎলে।

২) ৬ শুবা মেদিয়া ফেল্লোসিভ প্রোগ্রাম ওন ক্লাইমেট চেঞ্জ রিপোর্তিং ইন মণিপুরগী মতাংদা অহানবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম ঙসি পাঙথোক্লগনি।

**অমসুং**

৩) রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- এইমসনা শেল চংদনা মীয়ামদা পীরিবা অফবা মখলগী অনা লায়েংনা ভারত অসি হৌজিক্তি মালেমগী অনা লায়েংগী মফম অমা ওইরক্লি।

**------**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংগী চিংনবা মফমশিংদা থি-হুন্বা অমসুং এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। অককবা পাউগী মতুং ইন্না মীয়ামদগী শেল খাইবা অমসুং

হিংশাগী থৌদোকশিংদা চেন্নবা মীওইশিং ফাবগী থবক চত্থরি।

মণিপুর পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না-ঙরাং বিষ্ণুপুর জিলাগী কুম্বী সেতুপুর ময়াই লৈকাইদগী কে.সি.পি(অপুনবা)গী মীওই অমা ফাখি। অতোপ্পা থৌদোক অমদা, থৌবাল জিলাগী নোংপোক সেকমাই পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা লৈরোংথেল পিত্রদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাখি। মণিপুর পুলিসনা ঙরাং কে.সি.পি(এম.এফ.এল)গী মীওই অনি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সিটি পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা থঙ্গাল বজারগী কষ্টুরি থোং ময়াদগী ফাখি। মখোয় কর্বারৱালাশিং অমসুং দুকানশিংদা কিহল্লগা শেল খাইবদা চেন্নবনি হায়রি। বিষ্ণুপুর জিলাগী কুম্বী পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা নৌদাখোঙ মখা লৈকাইদগী মীওই অমা মণিপুর পুলিসনা ফাখি। থা অসিগী ৩ দা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মীওই অসিগী ময়ুমদা থি-হুম্বগী থবক চত্থবদা খূৎশু খূৎলাই কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমখিবনি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মীওই অদু ঙরাং ফাগৎখিবনি। মণিপুর পুলিসনা শিংজমৈ পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা শিংজমৈ চিংঙামখা মনিপুর কোলেজ লম্বীদা ঙরাং অচৎ অওক চেক তৌবদা মীওই অমা ফাখি। মঙোন্দগী মরু অহুম য়াওবা সেভেন্ট পোইন্ট সিক্স ফাইভ এম.এম পিষ্টোল অমা অমসুং চাকা অনি পানবা গারি অমা ফাগৎপা ঙমখি।

মণিপুর পুলিসনা গারি নিয়ম কাইনা থৌবা মীওইশিং চলান ককপগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। ঙরাং চলান ৬২ ককপগা লোয়ননা লূপা লাক্ষ ১ লিশিং ২২ খোমগৎপা ঙমখি। মসিগী মথক্তা গারি ১৯ দা নপ্পম্বা তিন্তেট ফিল্মশিং লৌথোকখ্রে।

**মেদিয়া (এল)ঃ** রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা শিন্দুনা ৬ শুবা মেদিয়া ফেল্লোসিভ প্রোগ্রাম ওন ক্লাইমেট চেঞ্জ রিপোর্তিং ইন মণিপুরগী মতাংদা অহানবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোম্পাৎতা লৈবা দাইরেক্তোরেট অসিগী কনফরেন্স হোলদা

পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট এসোসিয়েসন, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট জর্নেলিষ্ট, তামেংলোং দিষ্ট্রিক্ট জর্নেলিষ্ট, চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট জর্নেলিষ্ট, এ.আই.আর ইম্ফাল নিউজ য়ুনিট অমসুং লাই কাইদোং য়ু টিমনা মখোয় মখোয়গী রিপোর্টশিং পুথোক্কনি।

**চান্দেল(এল)ঃ** চান্দেলদা লৈরিবা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া(এস.বি.আই)গী ব্রাঞ্চ অসি মতম কুইনা ব্রাঞ্চ মেনেজর য়াওদনা থবক তৌরকপদা চান্দেল নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসননা নুংনাংবা ফোঙদোরক্লি। চেরোল অমদা লুপ অসিনা হায়-হৌখিবা থা ২ রোম অসিদা ব্রাঞ্চ অসিগী মেনেজর লৈতবনা শেল কাইথোক কাইশিন য়াওনা মরুওইবা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপদা চাউনা থিন্থহল্লে।

**ডে(এল)ঃ** এন্তি-রিপ্রেসন ডে ২০২৫ ঙসি পাঙথোক্লি। ওবজর্বেসন কম্মিতি এন্তি-রিপ্রেসন ডেনা শিন্দুনা পালন থৌরম অসি ইম্ফালগী কোনুং লম্পাক্তা লৈবা লময়ানবা শংলেনদা পাঙথোক্কনি।

**মুরমুঃ** রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস(এইমস)না শেল চংদনা মীয়ামদা পীরিবা খ্বাইদগী অফবা মখলগী অনা লায়েংনা ভারত অসি হৌজিক্তি মালেমগী অনা লায়েংগী মফম অমা ওইরক্লি।

আইমস ভুবনেস্বরগী ৫ শুবা কনভোকেসনদা ৱা ঙাংলদুনা রাস্ত্রপতিনা হায়-ভারতকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংলিবা এইমস হোস্পিতালদা লৈবাক অসিগীদা নত্তনা মপাল লৈবাক কয়াদগী অনাবশিং লাক্তুনা লায়েংবগী থবক চথরি। ভারত্তা তোঙান তোঙানবা লাইচৎশিং থোরকপা মতমদা মদুবু মায়োকবা ঙমবা মেদিকেল রিসর্সরশিং লৌরিবা থৌদাংবুসু মহাকা থাগৎপা

ফোঙদোকপগা লোয়ননা হকশেলগী লমদা থবক তৌরিবশিংনা মীয়ামগী য়াইফনবা খন্দুনা থবক তৌনবা হোৎনগদবনি। সমাজ অসিদা ওবেসিতি অমসুং দিপ্রেসন নাবগী চাং ৱাংখৎলক্লিবা অসিদা নুংনাংবা ফোঙদোক্লদুনা রাস্ত্রপতিনা হায়-হকশেলগী লমদা থবক তৌরিবশিংনা অসিগুম্বা মীওইশিংদা চাং নাইনা যোগা তৌনবা অমসুং অফবা চিঞ্জাক চানবা মতিক চাবা পাউতাক পীগদবনি।

নুমিৎ নিনিগী খোঙচত্তা উরিষাদা লৈরিবা রাস্ত্রপতিনা ঙসি কটকতা রেভেন্সো য়ুনিভর্সিতিগী ১৩ শুবা কনভোকেসনদা শরুক য়াগনি অমসুং রেভেন্সো গর্লস হাই স্কুলগী নৌনা শেমগৎকদবা বিল্ডিং ৩ গী যাত্রাসু হুনগনি। তুংদা, রাস্ত্রপতিনা কলিঙ্গ রতা এৱার্দ য়েন্থোক্কনি।

**নোংঃ** ইন্দিয়ন মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা ঙসি লৈবাক অসিগী অৱাং নোংচুপ, নোংপোক অমসুং ময়াই থংবা শরুক্কী মফম কয়াদা অকনবা নোং চুগনি হায়রি। ভিবাগ অসিনা হায়-লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা ছতিসগর, রাজস্থান, উরিষা, গঙ্গেতিক ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং ঝরখন্দগী মফম কয়াদা নোং কন্না চুগনি। অন্দমান নিকোবর, অরুনাচল প্রদেশ, উট্টর প্রদেশ, গুজরাট, জম্মু কাশ্মির, লদাখ অমসুং মধ্য প্রদেশগী মফম কয়াদা ঙসি নোং চুগনি।

মরক অসিদা, নোংপোক থংবা উট্টর প্রদেশ অমসুং লখনৌগী মফম কয়াদা নোং কন্না চুরে। মসিনা মরম ওইদুনা তুরেলশিংগী ঈমাই ৱাংখৎলক্তুনা ঈশিং ঈচাউ থোকপা য়াবগী ফিভম অমা লাক্লে। মুখ্য মন্ত্রি যোগী অদিত্যনাথনা ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা ঙরাং মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

অমরোমদা, মেতিওরোলোজিকেল সেন্তর সিম্লাগী পাউ মতুং ইন্না, হিমাচল প্রদেশগী মফম কয়াদা থা অসিগী ২০ ফাওবা নোং কন্না চুগনি।

**জয়সঙ্করঃ** কেন্দ্রগী মপাল থৌরম মন্ত্রি ডা.এস.জয়সঙ্করনা চাইনাগী মহাক্কা ফম মান্নবা ৱাং য়িগা উনদুনা লল্লোন ইতিক্কী মতাংদা মতেং পাংনবা

অমসুং হাইড্রোলোজিকেল দেতা পীথোক পীশিন তৌননবা হায়খ্রে। বৈজিংদা ঙরাং লুচিংবা অনিনা লৈবাক অনিগী ওইবা মীফম পাঙথোক্তুনা ললোন ইতিক তৌবদা অথিংবা লৈরিবশিং অমদি শেল থুমগী লমদা অপনবা লৈরিবশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি। উনবা অদুদা, ডা.জয়সঙ্করনা ঙমখৈ পরিংদা ইংনা তপা শান্তি লৈবনা লৈবাক অনিগী চাউখৎ লন্বীদা চাউনা খুদোংচাবা পীগনি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি। কাইলাস মনাসরোভর যাত্রা অমুক হন্না চৎপা য়াহনবদা চাইনানা মতেং পাংলকপা অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। মসিগী মথক্তা লৈবাক অনিগী মরক্তা দাইরেক্ট ফ্লাইট লৈহন্নবা অমসুং চখোক চৎশিনদা হেন্না খুদোংচাহন্নবা ৱাফম কয়ামরুমসু খন্নখি।

মপাল থৌরম মন্ত্রি ডা.এস.জয়সঙ্করনা ঙসি চাইনাগী তিয়াংজিনদা পাঙথোক্কদবা ফোরেইন মিনিষ্টরশিংগী সাংহাই কো-ওপরেসন ওর্গনাইজেসনগী মীফমদা শরুক য়াগনি। মীফম অদুদা শ্রী জয়সঙ্করনা এস.সি.ও কো-ওপরেসন অমসুং মালেমগী ওইবা অমদি লমদম অসিগী ওইবা হীরম কয়াগী মতাংদা মহাক্কী মোৎ ফোঙদোক্কনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

জর্মন রোদ নত্রগা তাইগর রোদ শেন্বা য়ারোই, আই.দি.পিশিংগী পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং গভর্ণরনা ওফিসিয়েলশিংগা লোয়ননা য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউ অমসুং লৌমীশিং লৌবুক্তা লৌ শুরিঙৈদা থংননবা লৈবা চীংদগী নোংমৈ কাপ্পকখ্রে হায়বা পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মণিপুরদা ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাডশিং ওইনা ফোঙনরি। পাউশিং অসি-সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস এদিসন, পোকফম, পীপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, সনালৈবাক অমসুং মণিপুর মেল য়াওনা পাউচে অয়াম্বদা ফোঙনরি।

জর্মন রোদ নত্রগা তাইগর রোদ শেন্বা য়ারোই, কুকিশিংগী সু কেম্পশিং এম.ঐচ.এনা রিভিয়ু তৌগদবনি হায়না মণিপুর নাগা য়ুথ ওর্গনাইজেসননা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমদি দি.এম.য়ু মনুংগী লন্বীদি শলাক শারে, লন্বীগী য়াওবা দিমান্দশিংদা এ-ব্লোক থিংজিনখ্রে হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তোঙানবা মওংদা- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদসু অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

জর্মন রোদ নত্রগা তাইগর রোদ শেন্বা য়ারোই হায়বা পাউ অসি তোঙানবা মওংদা- পীপলস ক্রোনিকল অমসুং তামেংলোং তাইমসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি। আই.দি.পিশিংগী পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং গভর্ণরনা ওফিসিয়েলশিংগা লোয়নননা রিভিয়ু তৌখ্রে হায়বা পাউ, গভর্ণনমেন্ট হোস্পিতালশিংগী মনুংদা অহুমশুবা ওইনা রিমসতা ভরতোপসি সেন্তর হাংদোকখ্রে, অশিবা হকচাং ৪০ দগী ৫০ ফাওবা থন্বা য়াবা কোল্ড রুম অমসু শঙ্গাখ্রে হায়বা পাউনা- পোকফম পাউচেগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাং পাউচেদা- চনুংগী চৈবু লৌকোলগা থংননা লৈবা চীংদগী নোংমৈ রাউন্দ ১০ হেন্না কাপথোকপগী মখোল তাবদগী লৌমীশিং লৌ শুদনা চেন্নরকখ্রে হায়বসিনা বেনর হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি। থৌওং অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা কোকোমি অমসুং এম.এল.এ লোকেস্বরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমসু পাউচে অসিমক্কী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

হন্দক্কী ঈশিং ঈচাউনা জেনিমসকী লূপা ক্রোর অমা হেনবগী ঈ বোট্টল, হিদাক লাংথক, কম্প্যুতরনচিংবা মাংহনখিব্রা হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউগী

অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মহৈরোইশিংনা দি.এম.য়ুগী এদমিনিষ্ট্রেতিভ ব্লোক ছো লোন্দুনা খোঙজং চংশিনখ্রে হায়বা পাউ- সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

গভর্ণরদা নাগা পীপলস ওর্গনাইজেসনগী মীহুৎশিংগা উনখ্রে হায়বা পাউ- মণিপুর মেলগী অনিশুবা হেদলাই তৌরি। পাউ অসি- নাগা সিভিল বোদিশিংনা গভর্ণরদা চীংগী দিষ্ট্রিক্টকী ইস্যুশিংগী মতাংদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে হায়না- হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা ফোঙলি।

আইননা য়াদবা মওংদা কুকি ভলন্তিয়রশিংনা চান্দেলদা মীচমদগী গারি হাইজেক্ত তৌবা থৌওং চান্দেল নাগা পীপলস ওর্গনগাইজেসননা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে হায়না- গানফিউ মেলদা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**